# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 16-03-2025)**

**পুলিস (এল) ঃ** লাকখিবা নোংমৈশিং অমদি আইননা য়াদবা মওংদা পায়রিবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎনবা অরোনবা পাউশিং লৌদুনা চিং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা মফম কয়াদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্বগী থবক লেপ্তুনা চথুরি।

রাজ্য পুলিসকী কন্ট্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা হৈক্রু মখোঙ, খাবৈশোই অমদি হৈঙাংখোঙগী মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক চথুবদা মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, মেগজিন য়াওবা পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অমা, দিটোনেটর য়াওদবা হেন্দ গ্রেনেদ অনি, স্মোগ গ্রেনেদ অমা, রেদিও সেট অনি, স্তর্ন গ্রেনেদ অমা, টিয়ার স্মোগ সেল অহুম, বুল্লেট প্রুব হেলমেট অনি, ইনসাচকী মেগজিন অমা, এস.এল.আরগী মেগজিন অমা অমসুং তোঙান তোঙানবা মখলগী নোংমৈ মরু কয়ামরুম ফাগৎলে।

বিষ্ণুপুর জিলাগী লোক্তাক পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কুকিমুন অমসুং লমদান কুকি খুলশিংদা আইননা য়াদবা মওংদা শারম্বা বঙ্কর মঙাসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা থুগায়খ্রে। অমরোমদা, নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী অমসুং নেসনেল হায়ৱে টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা মথংশিৎনা পোৎ-চৈ পুবা গাড়ি ১১৫ অমসুং ৩২৪ সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা পুশিল্লকখ্রে।

চিং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা অচৎ অওকশিং চেক তৌফম ১১০ হাংদোক্লুনা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলিহায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোংদোক্লি।

**ডে (এল) ঃ** ঙসি নেসনেল ভেক্সিনেসন নুমিৎনি। লৈবাক্কী মফম কয়াদা পালন

থৌরম অসি পাঙথোকরি।

পালন নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা অকাশবানি ইম্ফালগা ৱারী শান্নবদা রাজ্যগী ফেমিলি ৱেলফিয়ারগী দিপ্যুতি দাইরেক্তর অমসুং ষ্টেট ইম্মুনাইজেসন ওফিসার-ক্ষেত্রিময়ুম মেমচানা হায়-কুমজা ১৯৯৫ গী মার্চ ১৬ তা পলস পোলিও ইম্মুনাইজেসন কেম্পেইন মায় পাকা হৌদোকখিবা নুমিৎ অদুবু নীংশিংদুনা চহি খুদিংগী নেসনেল ভেক্সিনেসন নুমিৎ নৎত্রগা নেসনেল ইম্মুনাইজেসন নুমিৎ হায়দুনা পালন তৌদুনা লাক্লি। পলস পোলিও ইম্মুনাইজেসন কেম্পেইন অসি হৌদোকখ্রবা মতুং মখা তানা লেপ্তুনা চত্থদুনা কুমজা ২০১৪ গী মার্চ ২৭ তা ৱার্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসননা ভারত্তা পোলিওনা নাবা মীওই অমত্তা লৈত্রে হায়না লাউথোরকখি।

মহাকা হায়-চহি ১৬ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংদা তাঙ্কক নাইনা লৈঙাকা তোঙান তোঙানবা লায়নাশিংদগী ঙাকথোকবা তিকা থাবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। অসিগুম্বা তিকা থাবগী থবকশিংদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা হকশেলগী লমদা থবক তৌরিবা মীওইশিংবু পুকিং থৌগৎপা অমদি লায়না মখল কয়াদগী ঙাকথোকবা তিকা থাবগী ৱাখল্লোন মীয়ামদা পাক শন্না খঙহন্নবগী পান দমদা পালন থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

**মীফম (এল) ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুংদা লৈবা জাতি অমসুং রাজ্য থাক্কী রাজনিতি দলশিং, জিলা অসিগী মনুংদা লৈবা ই.আর.ওশিং, এ.ই.আর.ওশিং অমসুং মীখলগা মরী লৈনবা মীওইশিংগী অপুনবা মীফম অমা থা অসিগী ২০ গী নুমিৎয়ুংবা মতুং পুংখায় চৎপা মতমদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈবা কোন্মীরৈ হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

ইলেক্তোরেল রোল শেম শাবা অমদি মীখলগা মরী লৈনবা ৱাফম কয়া খন্নগদবা মীফম অসিদা মরী লৈনবা খুদিংমকনা শরুক য়ারনবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিপ্যুতি কম্মিস্নার অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার ময়াংলম্বম রাজকুমার সিংহনা

খঙহল্লি।

**কাংপোকপী (এল) ঃ** খারম নাগা য়ুনিয়ন মনিপুরগী ২২ শুবা চহিগী মীফম কাংপোকপী জিলাগী নোংচুপ খারম পল্লেন ভিলেজকী কম্যুনিতি হোলদা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

'নুংশি চান্নবা, অমত্তা ওইবা অমসুং চাউখৎপা' হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা খারম নাগা য়ুনিয়ন মনিপুর অমসুং লুপ অসিগা চৎমীন্নরিবা খারম নাগা ৱিমেন য়ুনিয়ন, খারম ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন অমসুং খারম লিটরেচর সোসাইতি এন্দ কটার রুপকী চহিগী ওইবা ৱারোলশিং পুথোকখি।

**য়াউশং (এল) ঃ** টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা লুপাগী তকমান লৌরকখ্রবা শক াইরবী ৱেটলিফটর-সাইখোম মীরাবাই চনুনা হায়রি-য়াউশং মতমদা লৈকাই লৈকাইশিংদা শান্ন খোৎনবগী ইহৌ অমা কন্না লাক্লিবা অসি য়ামা পুকিং থৌগৎনিংঙাইনি।

অকাশবানি ইম্ফালগা অখন্ননা ৱারী শান্নবা অমদা কুমারী মীরাবাইনা হায়-হৌরক্লিবা অঙাংশিং অমদি নহারোলশিংবু শান্ন খোৎনবগী ইহৌ অসিদা চিংশিনদুনা য়াওহনবদগী য়াউশং মতমদা কা হেন্না ইরাং তৌদুনা পামদবা থৌদোকশিং থোকপা হন্থহল্লি। অদুমওইনমক, শান্ন খোৎনবগী থৌরমশিং শিল-লাংলিবা লৈকাই লৈকাইশিংগী ক্লবশিংনা ফিরাল পাইবী নৎত্রগা ইন-আউটনচিংবা চাংদমবা য়াওবা য়ারোইদবা মশান্নশিংদগী খরা থৈদোক্তুনা জাতি নৎত্রগা মালেমগী থাক্তা চাংদমবদা য়াওবা য়াগদবা মশান্নশিংদা হেন্না মায় ওনশিনবীরবদি ময়ামা হোৎনবীরিবা অসিগী মহয় হেন্না ফংবা ঙমগনি।

**ৱাকৎ (এল) ঃ** ওল অন্দ্রো কেন্দ্র মৈরা পায়বী এন্দ ওল ক্লবস এসোসিয়েসননা শিনদুনা ঙরাং উচোলদা খুল ঙাকপা ফাবা য়ারোই হায়না ৱাকৎ মীফম অমা

পাঙথোকখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা মায়কৈ অদোমগী তোঙান তোঙানবা খুলশিংদগী লাকপা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

**অমিতঃ** কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা ঙসি অসামগী কোক্রঝার জিলাগী দোটমাদা পাঙথোক্কদবা ওল বোড়ো ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী ৫৭ শুবা চহিগী মীফমদা ৱা ঙাংগনি। মসিগী তুংদা, গুৱাহাতিদা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংগী মুখ্য মন্ত্রিশিংগা অনৌবা ক্রিমিনেল লোশিং চৎনহনবগী মতাংদা ৱারী শান্নগনি। তুংদা, শ্রী সাহ ন্যু দিল্লিগীদমক অসাম থাদোকখিগনি।

অসাম অমসুং মিজোরামগী নুমিৎ হুমনিগী খোঙচৎতা হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা অসামদা থুংলখিবা গৃহ মন্ত্রিনা ঙরাং অসামগী দরগাউনদা মতমগা চুন্ননা শেমগৎলবা লচিত বরফুকন পুলিস একাডমী শঙ্গাখি। পুলিস একাডমী হাউজিং প্রোজেক্টশিংগী যাত্রাস্ হুনখি।

মদুগী তুংদা শ্রী সাহনা মিজোরামগী আইজোলদা চৎতুনা, অসাম রাইফলসপু আইজোল সহরদগী জোখাউসাংদা হোংদোকপগী থৌরমদা শরুক য়াখি।

**এৱার্ডঃ** মথং চহিগী গনতন্ত্র দিবস নুমিৎতা লাউথোক্কদবা ২০২৬ কী পদ্ম এৱার্ডকী নোমিনেসন পীশিনবা ঙরাংদগী হৌখ্রে। নোমিনেসন পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎ জলাই ৩১ নি। পদ্ম এৱার্ডশিংগীদমক নোমিনেসন অমদি রিকমেন্দেসনশিং রাস্ত্রিয়া পুরস্কার পোরটেলদা ওন লাইনদা পীখৎকদবনি।

পদ্ম এৱার্ডশিং-পদ্ম ভি ভুষন, পদ্ম ভুষন অমসুং পদ্মশ্রী অসি লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা সিভিলিয়ন এৱার্ডশিংনি।

**মাওইষ্টঃ** তেলঙ্গানাদা আইননা থিংখ্রবা সি.পি.আই. মাওইষ্টকী মীওই ৬৪

সেক্যুরিতি ফোর্সতা খুৎলায় থাদোক্কুনা চংজখ্রে।

আই.জি.পি. মল্টি জোন ৱান চন্দ্রসেখর রেদি অমসুং ভদ্রাদ্রি কোথাগুদেম জিলাগী এস.পি-রোহিত রাজতা মখোয়না খুৎলায় থাদোক্কুনা চংজখি। মসি থারগা হৌখিবা থা অনি অসিদা খুৎলায় থাদোক্কুনা চংজরকখিবা মাওইষ্টকী মশিং ১২২ শুরে। আই.জি.পি. চন্দ্রসেখর রেদিনা পাউমীশিংদা হায়-ঙরাং খুৎলায় থাদোক্কুনা চংজরকখিবা মাওইষ্টশিং অদুগী মনুংদা ৪৮ না নুপানি অদুগা ১৬ না নুপীনি। মখোয়দা অহানবা ওইনা লুপা লিশিং ২৫-২৫ পীরগনি। মসিগী মথক্তা মখোয়বু নীংথিনা খুন্দা লৈতাহন্নবা পীবা য়াবা মতেংশিংসু পীরগনি।

**শাবা ঃ** মহারাস্ত্রাগী চন্দ্রপুরনা খ্বাইদগী শাবা মফম ওইদুনা ঙরাং সেলসিয়স দিগ্রী ৪১.৪ য়ৌখি।

মেট ওফিসকী পাউনা হায়-লাক্লিবা নুমিৎ নিনিদা বিধরভা লমদমদা মখা তানা কা হেন্না শাবা ফিভম মায়োকরবা য়াই। আকোলা, চন্দ্রপুর অমসুং য়াভাতমাল জিলাশিংদা ওরেঞ্জ এল্লার্ট লাউথোকখ্রে। ৱারধা, নাগপুর অমসুং অন্ত্রাবতি জিলাশিংদনা য়েল্লো এল্লার্ট লাউথোকখ্রে।

অমরোমদা, কোলহাপুর জিলাগী অজ্রা তলুকাস অমসুং সাহুৱারি লমদমদদি মতম চাদনা নোং চুখ্রে। মসিনা মফম অদুগী মীয়ামদা নুংশাগী মৈশাদগী খরমখৈদি শাফরে।